ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট করম্না ভোটতা খনবগে?



ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট হায়বসি লৈবাক অসিগী দি জুরি হেদ হায়বদি লৈবাক অসিগী লোনা য়ারবা মকোকনি। মহাক নুপা নৎত্রগা নুপী ওইবা য়াই। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৫৪ গী মতুংইন্না মহাক লৈবাক অসিগী মীয়াম্না নাকোয়ননা ইলেক্সন্দা খল্লি। ইলেক্তরেল কলেজ অমনা মহাকপু খনগদবনি। প্রসিদেন্ট খনগদৌরিবা ইলেক্তরেল কলেজ অদুদা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টগী হাউস অনীমক্কী ভোটতা থাগৎলকপা (ইলেক্তেদ) মেম্বরশিং, ষ্টেট খুদিংমক্কী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী ইলেক্তেদ মেম্বরশিং অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরিশিং হায়বদি পুদুচেরি অমসুং নেসনল কেপিটেল রিজন (এন সী আর) ওইরিবা ন্যু দিল্লিগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী ইলেক্তেদ মেম্বরশিং য়াওই। মেম্বরশিং অসিবু ইলেক্তরশিং হায়না খঙনৈ। মসি কনষ্টিটয়ুসনগী এমেন্দমেন্ট এক্ট ১৯৯২ গী মতুং ইন্ননি।

ভোট কারকপা নত্তবা হাউসশিংদা নোমিনেট তৌরকপা মেম্বরশিংদি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টগী ওফিসকী ইলেক্সন্দা শরুক য়াহন্দে। অমরোমদা, ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ইম্পিচমেন্ট তৌবা মতমদদি নোমিনেটেদ মেম্বরশিংসু শরুক য়াই (আর্টিকল ৬১)।

প্রসিদেন্ট খনবগী ভোট অসিদা এম পি অমসুং এম এল এ খুদিংমক্তা তাংদাংবা ভোট মশীং অমমম পীরি। খুদম ওইনা এম এল এগী মতাংদদি মঙোন্দা পীরিবা ভোট মশীং অদু ষ্টেট অদুগী অপূনবা মীশিংদা ষ্টেট অদুগী লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ইলেক্তেদ মেম্বরশিংনা য়েল্লগা অমসুং মখা তানা লিশীংনা য়েল্লগা ফংই। মসিগী মশীংসি ৫০০ দগী হেনবা তারবদি মেম্বর খুদিংমক্তা ভোট অমমম পী।

ইলেক্তরশিংগী ভোটশিংগী ভেল্যু অসি ষ্টেটশিংগী মীশিংদা যুম্ফম ওইরগা লেপই। মী মশীংদি অহোংবা নাইবনা কনষ্টিট্যুসনগী ৮৪ শুবা এমেন্দমেন্টগী খূৎথাংদা কালক্যুলেসন অসিগীদমক্তা ষ্টেটশিংগী মীশিং হায়বসি কুমজা ১৯৭১ গী মীকোক থিবদা যুম্ফম ওইহনবা হায়না লেপখি।

খুদম ওইনা অসুম্না য়েংবা য়াই : এম পিগী ভোটকী ভেল্যু = ষ্টেট খুদিংমক্কী এম এল এ খুদিংমক্কী ভোটশিংগী অপূনবা ভেল্যু/লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপূনবা ইলেক্তেদ মেম্বরশিংগী মশীং, এম পিশিং অমসুং এম এল এশিংনা কেন্দিদেটশিংগা মরী লৈননা মখোয়গী প্রিফরেন্স মার্ক তৌদুনা বেলোট পেপরদা ভোট পী। বেলোট পেপরশিং অদু পীরল্লিবা প্রিফরেন্সতুগী মতুং ইন্না ত্রেশিংদা তোঙান তোঙান্না খাইদোল্লগা থমই। থাদরিবা অপূনবা ভেলিদ ভোট মশীংদু ভোট অমমমগী ভেল্যুনা পুরি অমসুং অপূনবা মশীংদু কেন্দিদেট অদুনা ফংলিবা ভোটশিংগী অপূনবা ভেল্যু ওইহল্লি। মসিগী মতুংদা কেন্দিদেট খুদিংমক্না ফংলিবা ভেলিদ ভোটশিংগী ভেল্যু অদু পাথোল্লগা রিটর্নিং ওফিসারনা থাদখিবা ভেলিদ ভোট পুম্নমক্কী ভেল্যু পুন্না পাথোকই। কেন্দিদেট অমা ইলেক্তেদ ওইরে হায়না লাউথোকপগী কোটাদু ভেলিদ ভোটশিংগী অপূনবা ভেল্যুদা ২ না য়েন্থোল্লগা অমসুং অথুংবা অদুদা অমা তীনশিল্লগা অমসুং অরেম্বদু (করিগুম্বা য়াওরবদি) খৎতোল্লগা লেপই। খুদম ওইনা, কেন্দিদেট খুদিংমক্না ফংলিবা ভেলিদ ভোট খুদিংমক্কী অপূনবা ভেল্যু অসি ১,০০,০০০ নি হায়না লৌরসি। প্রসিদেন্ট ইলেক্ট তৌবদা তঙাইফদনা চঙলিবা কোটাসি : ৫০,০০০+১ হায়বদি ৫০০০১ নি। কেন্দিদেট অমনা ভোট কোটা অসি ফংবা তারবদি মহাক ইলেক্তেদ ওইরে - প্রসিদেন্টগী মীখলদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকই। ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিসকী মমাঙদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা ৱাশক লৌই। করিগুম্বা চীফ জষ্টিশ য়াওদবা তারবদি ইনিদয়াগী সুপ্রিম কোর্টকী খ্বাইদগী সেনিয়র ওইরবা জজ অদুনা প্রসিদেন্টবু ৱাশক লৌহনগদবনি।

মালেমগী অঙকপশিং

ইগুৱাজু ফোল্স

অর্জেন্টিনা অমদি ব্রাজিলগী লোন্নবদা লৈবা "ইগুৱাজু ফোল্স" না মালেমগী খ্বাইদগী পাক-চাউবা ঈশিং চাইবী ওইনা লৌনরি। ইগুৱাজু তুরেলগী শরুক অয়াম্বা ব্রাজিল লোম থংবা নাকলদা চেল্লি অদুবু ইগুৱাজু ফোল্সকী শরুক অয়াম্বদি অর্জেন্টিনা রোমদা লৈ। থাজনবী অমগী মতুং ইন্না থায়না মমাঙঙৈদা মীগা লাইগা লৈমিন্নরিঙৈদা, মতিক ময়াই লৈরবা খোইয়ুম-লাই অমনা মশক মতৌ চঙখোল্লবী তাইবঙ মী নুপী অমবু খোয়দারম্মী। অদুবু নুপী অদুদি মহাক্কা নুংশিনবা নুপাগা লোয়ননা ইগুৱাজু তুরেলদা হি তোংলগা চেনখিরম্মী। মদুদা খোয়শাওনরবা লাই অদুনা নুংশিনবা নুপা-নুপী অনীদুবু হাৎলগে মতাগুম তুরেল অদু তংখায় খায়দোকপদা ঈশিং চায়বী ওইরকখিবনি হায়না থাজনরি।

হেক য়েংবদা ইংলিশ ময়েক "জে" গী মথক-মখা ওন্নবা মওং মতৌ মানবা ঈশিং চাইবী অসিগী মনাক নক্লা ইন্টরনেশনেল এয়রপোর্ট অনী লৈ। অর্জেন্টিনাগী কেটারাটাস দেল ইগুৱাজু ইন্টরনেশনেল এয়রপোর্ট অমসুং ব্রাজিলগী ফোজ দো ইগুৱাজু ইন্টরনেশনেল এয়রপোর্টতগী ঈশিং চাইবী অসি ইনক-নক্লে।

কুমজা ১৫৪১ দা স্পেনিশ মচা অলভার ন্যুনেজ কেবেজা দে ভেকানা ইহান হান্না থেংনরকখিবা ঈশিং চাইবী অসিগী মনাক নক্লা অর্জেন্টিনা রোমদা ইগুৱাজু নেশনেল পার্ক অমদি ব্রেজিল লোমদা ইগুৱাজু নেশনেল পার্ক লৈ। নেশনেল পার্ক অনী অসি মথং শীৎনা কুমজা ১৯৮৪ অমদি কুমজা ১৯৮৭ তা যুনেস্কোগী ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইটতা চনখ্রে।

ব্রেজিল লোম থংবা নাকলদা কনাগুম্বনা হেলিকোপ্টর তোংলগা ঈশিং চাইবী অসিগী নীংথিজবা পুম্নমক নোংথক্তগী য়েংবা য়াই। অদুবু মফমদুগী ঈশিং নুংশিৎ অমদি হৈপাল-লৈপালদা অকায়বা পী হায়বগীদমক অর্জেন্টিনা রোম থংবা নাকলদদি মসিগী খুদোংচাবা পীদে।

মতম অমদা যুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফর্ষ্ট লেদি ওইরম্বা ইলিয়নর রুজবেল্টনা ইগুৱাজু ফোল্স উরুবা মীৎকুপ্তা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা ঈশিং চাইবিনি হায়না শীংথারম্বা লৈ। ইগুৱাজু ফোল্সকা চাংদম্নবা মতমদা ভিক্তোরিয়া ফোলস, এঞ্জেলস ফোল্স অমদি নাইএগ্রা ফোল্সনচিংবা অতৈ ঈশিং চাইবিশিংদি করিসু নত্তবগুম্বনি হায়রি।

কুমজা ২০০৬ কী কালেন থাদা ইকং থোক্তুনা ইগুৱাজু তুরেলগী ঈশিং কংশিল্লকপদগী মতম খরা ঈশিং চাইবি অসি মওং মতৌদা অকায়বা থোল্লুরে। হৌজিক্তি মহৌশাগী ফীভমদা অমুক হঞ্জিল্লক্লে। চহী চুপ্পা শাদুনতা লৈরবসু মফমসিগী নীংথিজবা উরুবদগী "মুনরেকর", "দ কন্ট্রি বিয়রস দাওন", "বরাকা", "এক্সটরমিনেটরস ৪: কোমো হর্মানোম গেমেলোস", "ও ট্রেম কাইপিরা", "টম্মী", "হেপ্পি টুগেদর", "মিষ্টর মাগু", "মাইয়ামি ভাইস", "ইন দ হেন্দস ওফ দ গোদ", "ইন্দিয়ানা জোন্স এন্দ দ কিংদম ওফ দ ক্রিষ্টেল স্কল", "ও এস এস ১১৭: রাইও নে রেপোন্দ প্লস", "সেল্ভ গেরাল্ড" অমদি "ওপেরাকাও" নচিংবা মমিং চৎলবা ফিল্ম কয়া ইগুৱাজু ফোলসতা নমখি।

নোংজু থাগী ঈশিং য়াম্না লৈবা মতমদদি সেকেন্দ অমদা ক্যুবিক ফীট ৪,৫০,০০০ (ক্যুবিক মিটর ১২,৭৫০) গী চাংদা ঈশিং চেন্থরকপা ঈশিং চাইবি অসি ঙসিদি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা লমকোয়বশিংগী মরু ওইবা লমথুংফম ওইরে।

ইগুৱাজু ফোলসকী মরমদা মরু ওইবা ৱাফম খরা ঃ- ব্রেজিল অমদি অর্জেন্টিনাগী মরক্তা লৈবা ঈশিং চাইবী অসিনা নেশনেল পার্ক অনী : অর্জেন্টিনাগী ইগুৱাজু নেশনেল পার্ক অমদি ব্রেজিলগী ইগুৱাজু নেশনেল পার্কপু মরক্তা চপ চানা খায়দোকই।

- ◆ ঈশিং ঈচেলদা য়েংনরবদি ইগুৱাজু ফোলসনা নাইএগ্রা ফোলসতগী শরুক অনী হেন্না চাওই।
- ◆ "দেভিল'স থ্রোট" হায়না খঙনবা ইগুৱাজু ফোলসকী "যু" মওং মানবা শরুক অমা লৈ। মসিগী অয়াম্বা শরুক অর্জেন্টিনা রোম থংবা নাকলদা লৈ।
- ◆ ইগুৱাজুগী ৱাহন্থোক্তি "অচৌবা ঈশিং" হায়বনি।
- ◆ অর্জেন্টিনা রোম থংবা নাকলদগী ট্রেন তোংলগা ঈশিং চাইবী অসি য়ৌনা চৎপা য়াই।
- ◆ ইগুৱাজু ফোলসকী ঈশিং চাইবী মচা-মচাশিংগী মনুংদা অমখক্তি স্পেনিশ মচা অলভার ন্যুনেজ কেবেজা দে তাকাগী মমিং লৌরগা মিংথোল পীবনি। ঈশিং চাইবী অসিবু ইহান হান্না থেংনরকখিবা যুরোপ মচাসু হায়রিবা মীওই অসিনি।
- ◆ "মুনরেকর" (কুমজা ১৯৭৯) "দ মিসন" (কুমজা ১৯৮৬); "মিষ্টর মেগু" (কুমজা ১৯৯৭); "মায়ামি ভাইস" (কুমজা ২০০৬) অমদি "ইন্দিয়ানা জোন্স এন্দ দ কিংদম ওফ দ ক্রিষ্টেল স্কল" (কুমজা ২০০৮) নচিংবা মমিং চৎলবা ফিল্ম কয়া মফমসিদা নমখি।
- ◆ মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী নীংথিজরবা ঈশিং চাইবিনি হায়না লৌবা য়ারবা ইগুৱাজু ফোলস্তা লমকোয়বা লাক্লবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলক্লে।

Title : DANCING GIRL ([illegible])



Sweety Thiyam
Class : I, Sec. C, Roll: 162
Regular English High School
[illegible]

Title : NUPI LAN ([illegible])



Vivek Haorongbam
Class : VII , Sec., Roll:
Don Bosco Hr. Sec School
[illegible]

Title : LIFE CYCLE OF FROG ([illegible])



T. Mahendra
Class : V, Sec. :, Roll:56
[illegible]

Title : MOUNTAIN ([illegible])





Sidharth Mayengbam
Class :I, Sec. C:, Roll:
Ram Krishna Mission School
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])





Kh. Rohit
Class :V , Sec.:, Roll:
Ahanthem Tomba P/S
[illegible]

Title : A HOUSE ([illegible])



Ng. Victor Mangang
Class : III Sec.: Roll:
St. Joseph's School
[illegible]

Title : HUNGER MARCHERS' DAY ([illegible])



S. Khanganba
Class : VII, Sec.: Roll: 62
M.I Academy
[illegible]

Title : HUNGER MARCHERS' DAY ([illegible])





Khuman Yoihenba Oinam
Class VII: , Sec. Roll:
Keishamthong high School
[illegible]

Title : HUNGER MARCHERS' DAY ([illegible])



Taibanganbi Ningthoujam
Class : VII, Sec.: Roll:
Catholic School Canchipur
[illegible]

Title : HUNGER MARCHERS' DAY ([illegible])





R.K. Priyashri
Class : VII, Sec.: Roll:
Little Flower School
[illegible]

Title : HUNGER MARCHERS' DAY ([illegible])



Andrew Ningombam
Class :VI , Sec.C: , Roll: 30
Maria Montessori Senior Sec. School
[illegible]

Title : HUNGER MARCHERS' DAY ([illegible])





Ronald Longjam
Class : VI, Sec.: , Roll:
Pitanbara
[illegible]

Title : HUNGER MARCHERS' DAY ([illegible])



S. Pariton
Class :VI, Sec.A, Roll: 62
M.I Academy Brave city Zone
[illegible]

Title : HUNGER MARCHERS' DAY ([illegible])





Khushi Kh.
Class : VII, Sec.: Roll:
Little Flower School
[illegible]

Title : HUNGER MARCHERS DAY ([illegible])



L. Jerina
Class : I, Sec.A: Roll:30
Maria Montessori Senior Sec. School
[illegible]

Title : SCENERY ([illegible])





L. Shyamson
Class: VI, Sec.B: Roll:
Maria Montesori Senior Sec. School
[illegible]

Title : SNOWMAN ([illegible])



Honey Laishram
Class : IV, Sec.A: Roll:8
Regular English High School
[illegible]

Title : GODOWN ([illegible])





Rohit Khanganba Elangbam
Class : VIII, Sec. : , Roll:
St. Joseph's School
[illegible]

[illegible]



[illegible]



মিনিট ১৫ গী চিক্কন রাইস দিন্নর

চঙগদবা পোৎচঙ ঃ

- ◆ ভেজিটেবল ওইল - চমচ ১
- ◆ শরু, মকু য়াওদবা য়েন মথিক ৪
- ◆ চিক্কন সুপকী কন্দেন্স ক্রিম কেন ১
- ◆ ঈশিং কপ তঙ্খাই ১
- ◆ পেপ্রিকা চমচ ১/৪
- ◆ গুন মোরোক পাউদর - চমচ ১/৪
- ◆ চেঙ অঙৌবা (ইন্সটেন্ট) কপ ২
- ◆ ফ্রেশ ব্রোকোলি (অশেম্বা) কপ ২

শেম শাবগী মওং :

- ◆ ইঞ্চি ১০ গী পায়ফম য়াওবা তৱা অমদা মিদিয়ম হায়গী চাংদা মৈশা পীরগা থাউ শাহনগনি। চিক্কন হাপচিল্লগা মিনিট ১০ ঙৌগনি নৎত্রগা নাকল অনীমক মচু লাংশিনদ্রিফাওবা। চিক্কনদু পাত্রদুদগী লৌথোকপীরো।
- ◆ চিক্কন সুপ, ঈশিং, পেপ্রিকা অমসুং গুন মোরোক পুল্লপ পাত্রদুদা (স্কিলিট) ওৎখাইবীরো অমসুং মৈশা পীরগা শৌহনবীয়ু।
- ◆ চেঙ অমসুং ব্রোকোলি হাপচিল্লগা ওৎখাইবিরো। মৈশা নেমথহনবিরো। তৈদা চিক্কন হাপচিনবিরো। চিক্কনদুদা অহেনবা পেপ্রিকা অমসুং গুন মোরোক মকুপ চাইশিনবা য়ারে। মখূম খুমজিল্লগা চিক্কন মুনদ্রিফাওবা থোংবীরো। চাউরাক্লা মিনিট ৫ থোংগনি।

খঙজিনবীগদবা ঃ

- ◆ খরা ক্রিমি ওইবা দিশ ওইহনগে হায়রবদি চেঙগী চাং কপ ১ মখায়দা হন্থহনবা য়াই।

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

অমনবা সেলফোনশিং শীজিন্নরগা রেইনফোরেষ্ট কনবা

রেইনফোরেষ্টশিংদা প্লানেট অসিগী খ্বাইদগী কমপ্লিকেটেদ ওইরবা সাউন্দস্কেপ (মীওইবগী নাকোংদা তাবা মখল মখা কয়াগী অপূনবা খোঞ্জেল) খরা লৈ। অসিগুম্বা অসুকপা উমংশিং অসিদা য়োং মখল কয়া, তীল মখল কয়া, উচেক-ৱায়া অমদি অতৈ থৱায় পানবশিংনা নীল খোংবশিংগী মরক্তা ঐখোয়না ইলিগল ওইবা মওংদা উ য়ানবগী নৎত্রগা লেনবগী মখোল করম্না তাগদগে? ফিজিসিষ্ট অমসুং এঞ্জিনিয়র টোফর হ্বাইটনা মালেমগী মমল য়াম্লবা রেনফোরেষ্টশিংবু কন্নবগী খ্বাইদগী ফরবা পান্থৈদি লোগরশিং অমসুং পোচরশিংনা তৌবশিং তাবনা ওইবা য়াই হায়না খনখি। ৱাখল অসিনা লিচিং ওইদুনা মহাক্লা রেনফোরেষ্ট কন্নেক্সন শেমখি। রেনফোরেষ্ট কন্নেক্সন্না অমনবা সেলফোনশিংবু অথাপ্পা মফমদা হোরাই খাইবগী থবক্কী মখোল (চেনসো এক্টিভিটি) চপ চানা খঙবা অমসুং মোনিটর তৌবা ঙম্বা সোল্লর পৱার ওইবা তানবগী দিভাইসশিং ওন্থোকই। মসিনা উমং-ৱামং কোকথোকপগা মরী লৈনবা থবকশিং মালেমগী মফম খুদিংমক্তা মীপুম খুদিংমক্তা খুদক্তা খঙবা ঙমহল্লি।

[illegible] - [illegible]

[illegible]

		[illegible]				[illegible]		
	[illegible]			[illegible]			[illegible]	
			[illegible]					
	[illegible]	[illegible]					[illegible]	[illegible]
				[illegible]	[illegible]			
			[illegible]	[illegible]				
[illegible]	[illegible]					[illegible]		

[illegible] :

[illegible]

[illegible]- [illegible]

[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]